*শ্রীলঙ্কা বোম এটেকশিং*

# ঐখোয়গী লমদমসিদা অসিগুম্বা বারবরিজম ওইবা লীচৎকী মফম লৈতে ঃ পি এম মোদি



***ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২১ঃ***

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শ্রীলঙ্কাদা– ৫ষ্টার হোটেল ৫, চর্চ ৩দা বোম ৬ মথঙ–মথঙ পোকখায়হন্দুনা মী ২১০ হেন্না হাৎখিবা অমসুং ৪০০ রোম শোকখিবা এটেকশিং অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং শ্রীলঙ্কা প্রসিদেন্ট অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরদা অৱাবা পাউজেল থাখ্রে।

বোম এটেকশিং অদুবু হান্ন মাঙজৌননা থৌরাং তৌরবা বারবরিক ওইবা চাওখৎতবা লীচৎনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

শ্রীলঙ্কাদা তুজুংনিঙাই ওইরবা বোম এটেকশিং অদুবু কন্না কন্দেম তৌরদুনা ঐখোয়গী লমদমসিদা অসিগুম্বা বারবরিজম ওইবা লিচৎকী মফম লৈতে। ইন্দিয়ানা শ্রীলঙ্কা মীয়ামগীদমক লেপ্লি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ত্বিট তৌখি।

মহাক্না মহাক্কী অৱাবা ফোঙদোক্তুনা শ্রীলঙ্কা প্রসিদেন্ট অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরদসু টেলিফোন তৌখি।

প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবীন্দনসু এটেকশিং অদুবু কন্দেম তৌরদুনা ঐখোয়না মপূং ফানা শ্রীলঙ্কাগীদমক লেপ্লি হায়খি। ঈথৎ লৈবাক অসিগী সেক্যুরিটিগীদমক ইন্দিয়ানা তেঙবাঙ্গনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা হায়খি।

ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা মতম চপ মানরপ বোম এটেকশিং অদু চত্থরকখিবনি।

ফোরেন মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা কলম্বোদা লৈবা ইন্দিয়ান হায় কমিস্নরগা মাগা তত্তনা পাউ ফাওনরি হায়খি। ঐখোয়না ফিভম অদু কুপ্না য়েংশিন্দুনা লৈরি হায়না সুস্মা স্বরাজনা ত্বিট তৌখি।

তেংবাংগী মথৌ তাবা ইন্দিয়ান সিটিজনশিংগীদমক অমসুং শেঙদোক্লবগীদমক কলম্বোদা লৈবা ইন্দিয়ান হায় কমিসননা হেল্প লাইন নম্বরশিং পীরি।

বোমশিং পোকখায়বগী মওং অদু করম্বগীনো হায়বদু খুদক্তা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমদ্রি। এটেকশিং অদু চত্থবনি হায়না কনাগুমবা অমত্তনা খুদক্তা মশানা ফোঙদোক্লকপা লৈত্রি।

হৌজিক ফাওবদা ফংবা পাউগী মতূং ইন্না শ্রীলঙ্কাদা বোম পোকখাইখিবশিং অদুদা শিখিবা মীওইশিংগী মনূংদা ইন্দিয়ান ৩ য়াওরে হায়বা খঙবা ঙম্লে। মীওই ৩ অদুগী মনূংদগী অমদি দুবাইগী ফার্ম অমদা একজিক্যুটিব ওইনা থবক তৌবা বঙ্গালুরুদগী অবদুল খাদের কুকাদিগী লোয়নবী নুপী রাজীনা (৫৮) বোম পোকখায়বা অদুদা লৈখিদ্রে হায়না মহাক্কী ইমূংগী মীওইশিংনা ফোঙদোক্লকখ্রে।

কলম্বোদা লৈবা মাগী মবুং অমসুং অতৈ মরিমতাশিং উন্ননবা চয়োল অমগী মমাঙদা মিষ্টর কুকাদি অমসুং রাজীনা শ্রীলঙ্কাদা লৈরকখিবনি। মখোয় অনীনা কলম্বোগী শঙ্গ্রি–লা হোটেলদা লৈবনি।

মিষ্টর কুকাদিনা দুবাইদা ফ্লাইট অমা তোঙনবা ঙসি অয়ুক এয়ারপোর্টতা চংখি। মতমদুদা মাগী লোয়নবী রজীনানা হোটেল অদুদা লৈহৌখি। কুকাদিনা দুবাইদা প্লেনদগী কুমথরকপদা বোম পোকখায়বশিং অদুগী অমসুং মহাক্কী লোনবী নুপী শিবগী পাউ তাখি। খুদক্তা মহাক্না ফ্লাইট অমা তোংদুনা কলম্বোদা অমুক লাকখি।

---

# অবু দাবীদা অহানবা হিন্দু লাইশঙগী উরেপ–উয়ুং তমখিবদা মফম অসিদা লৈরিবা ইন্দিয়ান লিশিং কয়ানা হরাওনখ্রে

***দুবাই, এপ্রিল ২১ঃ***

য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটস (য়ু এ ই)গী কোনুং অবু দাবীদা অহানবা হিন্দু লাইশঙ ওইগদৌরিবা অদুগী উরেপ–উয়ুং তম্বগী থৌরমদা ঙরাং ইন্দিয়ান লিশিং কয়ানা হরাওনখ্রে অমসুং মদুদা শরুক য়াখ্রে।



লাইশঙ অদু শাগদৌরিবা বোচাশনৱাসি শ্রী আখর–পুরুশোত্তম শ্বামিনরায়ন সনস্থা (বি এ পি এস)কী লাইনিংহল মহন্তা শ্বামি মহারাজনা পূং ৪ চংনা পাংথোকপা থৌরম অদুগী ময়াই তাংবন লৌখি। থৌরম অদুগী মতূংদা শেঙদোক্লবা চেকশিং মরুওইবা লাই খুরমফম অদুদা থম্বা হৌখি।

অসিগুম্বা থৌরাং অসিগীদমক গল্ফ লৈবাক অদুদা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লদুনা থৌরম অদুগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৱারোল অদু য়ু এ ইদা লৈরিবা ইন্দিয়ান এম্বেসেদর নবদীপ সুরিনা পাথোকখি।

ইন্দিয়ান ক্রোর ১৩০গী মায়কৈদগী ঐগী নুংশিরবা মরুপ অমসুং অবু দাবীগী ক্রাউন প্রিন্স, হিজ হায়নেস শৈখ মোহম্মেদ বিন জায়েদ অল নহয়াদা ঐখোয়গী নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱাফম পল্লদুনা এম্বেসেদর সুরিনা হায়খি।

মপূং ফানা লোয়শিল্লবা মতমদা লাইশঙ অসিনা ইন্দিয়া অমসুং য়ু এ ই অনীমক্কী মান্নবা হেরিটেজ য়ুনিভর্সেল হ্যুমেন ভেল্যুজ অমসুং স্পিরিচুয়েল ইথোজগী মশক অদু পূন্না ফংমিন্নরগনি হায়না মোদিনা হায়খি।

বসুদেব কুতুম্বাকমগী বেদিক ভেল্যু হায়বদি তেংবানবা পূম্বা অসি ইমূং অমনি হায়বদু লাইশঙ অসিনা তাক্কনি হায়না সুরিনা হায়খি। লাইশঙ অসিনা য়ু এ ইদা ময়ূম ওইনা লৈরিবা ইন্দিয়ান লাক্ষ ৩৩, লোয়ননা অতৈ কলচর পূন্নমক্কী মীওইশিংগীদমক ৱাখল থৌনাগী হৌরকফম ময়োল অমা ওইরগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱাফম অদু পল্লদুনা সুরিনা হায়খি।

অবু দাবীদা লাইশঙ অদু শানবগী থৌরাং অদু প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী লৈবাক অসিদা চৎপা অহানবা খোঙচৎ ২০১৫দা অবু দাবী গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীখিবনি।

---

*মোদিগী মায়োক্তা অকনবা লান*

# য়ু পিনা মাবু পি এম ওইহনবা ঙম্লবদি, ষ্টেট অসিনা মহাকপু পি এম ওইবদগী লৌথোকপসু ঙম্মি ঃ ময়াবতি



***লখনৌ, এপ্রিল ২১ঃ***

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা উত্তর প্রদেশকী মীয়ামবু মীনমখ্রে অমসুং মরম অদুনা ষ্টেট অসিনা হৌজিক মহাকপু অনীশুবা তার্ম অমা পীদনবগী থৌরাং তৌরে হায়না ষ্টেট অসিগী দলিত কম্যুনিটিনা মহাকপু পাকত্তক্লন শৌগৎলি হায়রিবী বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি) চীফ ময়াবতিনা তাঙ্কক ৭কী লোক সভা মীখলগী ৩শুবা তাঙ্কককী ভোট থাদনগদবা নুমিৎ নীনিগী মাঙওইননা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা হায়খ্রে।

হিন্দি লোলদা তৌখিবা ত্বিট কয়ামরুমদা ময়াবতিনা হায়খি, মিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়ু পিনা মহাকপু লৈবাকসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইহনবনি হায়বা অচুম্বা অদু হায়রদুনা য়ু পিগী মফম কয়া কোয়না চৎলি –অদুবু মহাক্না করিগীদমক মীনল্লি অমসুং য়ু পিগী মীওই ক্রোর ২২ থাজবা হাৎলি? করিগুম্বা য়ু পিনা মহাকপু প্রাইম মিনিষ্টর ওইহনবা ঙম্লবদি, মখোয়না মহাকপু লৌথোকপসু ঙম্মি, মসিগী শামিন পূন্নমক উবা ফংলে।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মাগী মন কি বাত তারি অমসুং মহাক মশামক বেকৱার্দ ক্লাসশিংগী মী অমনি লাওথোক্লি, অদুবু বি এস পি– এস পি–আর এল দিনা মীয়াম অসিগী মন কি বাত অদু তারি, মদু খঙই অমসুং মীয়ামগী মন কি বাত অদুবু ঈকাইখুম্নদুনা লৈবাক অসিগী থোইদোক হেন্দোকপা ইন্টরেষ্টা এলায়েন্স অমা শেমখ্রে। এলায়েন্স অসি শেমখিবদা মীয়ামনা হরাওনরি। অদুবু বি জে পিদা পাখৎন্নরি অমসুং মীপাইনরি হায়না ময়াবতিনা মখা তাখি।

ময়াবতিগী বি এস পিনা মতম শাংনা য়েংথিনবা ওইরম্বা অখিলেশ যাদবনা লূচিংবা সমাজৱাদি পার্টি (এস পি) অমসুং অজীৎ সিংহনা লূচিংবা রাষ্ট্রিয় লোক দলগা মমাঙদা অমুক্তা তৌখিদবা মওংদা এলায়েন্স অমা তৌনরি।

প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং বি জে পিনা এলায়েন্স অদুবু অকনবা মওংদা থীনা চৈরি অমসুং এলায়েন্স অদু চপ মান্নবা আইদোলোজি অমা লৈতে। সুপ্নগী খুদোঙচাবা লৌনবগী ৱাখল্লোননি হায়রদুনা বি জে পিনা কম্যুনিটি অয়াম্বদগী ভোট ফংগনি হায়বগী অশা তৌরি।

মীশিং শাথিনা য়াম্বগী মতূং ইন্না উত্তর প্রদেশনা সিট ৫৪৩গী লোক সভাদা এম পি মশীং খ্বাইদগী য়াম্না, এম পি ৮০ থারি। চহী দিকেন্দ কয়াদগী হৌনা উত্তর প্রদেশনা নেসনেল ইলেক্সনগী লাইবক লেপ্পদা খ্বাইদগী মরুওইবা ষ্টেট ওইরি।

হৌখিবা মীখলদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী চাওরবা মেন্দেট অদু ২০১৪দা বি জে পিনা ষ্টেট অসিনা ফংখিবা য়াম্লবা সিট ৭১ অদুননি।

এপ্রিল ১১দগী হৌখিবা অমসুং মে ১৯ ফাওবা চত্থগদৌরিবা লোক সভা মীখলগী তাঙ্কক ৭ মক্তা উত্তর প্রদেশনা ভোট থাদনগনি। মীখলগী ফল মে ২৩দা লাওথোক্কনি।

---

# তোঙান–তোঙানবা মিলিটেন্ট এটেকশিংদা সিরিয়ান লান্মী ৫০শিখ্রে



***বৈরুট, এপ্রিল ২০ঃ***

সিরিয়াগী তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদা ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিং অমসুং অল–কৈদগী মরীলৈনবা লালহৌবশিংনা সিরিয়ান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মথক্তা এটেকচশিং চত্থরকখ্রে অমসুং সিরিয়ান লান্মী অমসুং মসিগা খৎশন্নবা ফাইটর ৫০ রোম শিখ্রে হায়না এক্টিভিষ্টশিং অমসুং ৱার মোনিটরিং গ্রুপ অমনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

এটেক অমদা ময়াই থংবা হোমস প্রোভিন্সতা শগোলশেলগী নুমদাংদা ইস্লামিক ষ্টেটনা এম্বুস তৌরকপদগী নুমিৎ নীনি কাপ্পখিবদা সিরিয়ান আর্মি ওফিসার য়াওনা পূন্না লান্মী ২৭ শিখি হায়না সিরিয়ান ওবজাভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা হায়খি।

লৈবাক অসিগী নোংপোক থঙবা প্রোভিন্স দেইর এল–জৌরদা য়ু এসনা ঙাকলৌ পীবা কুরদিসনা লূচিংবা ফায়টরশিংগা থা কয়া লানথেংনখিবদা মার্চ থাদা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী অরোইবা টেরিটোরি অদু মাঙখিবনি।

অদুবু মখোয়না প্রোভিন্স অসিগী নোংচুপ্তা লৈবা মরুভুমিদা হৌজিকসু শক্তি লৈরি। মখোয়না গভর্ণমেন্ট ট্রুপশিং অমসুং গভর্ণমেন্টকা খুৎশন্নবা মিলিসিয়াদা এটেক তৌবা হেনগৎলক্লি।

মতম অমদা সিরিয়া অমসুং ইরাকতা পাকচাওরবা লম পায়দুনা লৈরমখিবা মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিনা লৈবাক অনী অসিদা স্লীপর সেলশিংগী নেটৱার্ক অমা থবক তৌহন্দুনা থমলমখি। মসিদা নত্তনা মেদিয়া ওপরেসনশিংসু মখা চত্থহনবা ঙমখি।

এটেকশিং অদুদা মখোয়না সিরিয়া গভর্ণমেন্টকী নোংমৈ মরুশিং অমসুং গারীশিংসু ফংলে হায়না আই এসকী মখাদা লৈবা আমক ন্যুজ এজেন্সি পাউনা হায়খি।

তোঙানবা এটেক অমদা সিরিয়া গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মথক্তা সিজ ফয়ার অমা তৌনসি হায়রিবা মফম অৱাং নোংচুপ সিরিয়াদা অল কৈদাগা মরীলৈনবা হয়াদ তাহির অল –শামগী লালহৌবশিংনা এটেক চত্থখি।

লালহৌবশিং অদুনা থাংজগী অঙনবদা অলেপ্পোগী নোংচুপ্তা গভর্ণমেন্ট পোজিসনশিংদা লান্দরকখি। মদুদা সিরিয়া লান্মী অমসুং মসিগী খুৎশন্নবা ফাইটর ২১ শিখি হায়না ওবজাভেটরি অদুনা হায়খি। অদুবু এক্টিভিষ্টনা ওপরেট তৌবা ন্যুজ সাইট– বালাদির ন্যুজনা ফোঙদোকপদা অক্রাব খূঙ্গংদা এটেক অদুদা লান্মী ২৭ শিখি হায়না ঐচ দি এস ওপরেটিব অমগী ৱা পল্লদুনা হায়খি।

---

# অমিত শাহনা লৈবাক অসিগী পার্টিগী কেম্পেন য়েংশিল্লি, কন্টেষ্ট তৌরিবা গান্ধীনগরদা মহুৎশিনবা টিম অমনা য়ূমথোঙ খুদিঙ চংদুনা ভোট খোল্লি

***গান্ধীনগর, এপ্রিল ২১ঃ***

বি জে পি চীফ অমিত শাহনা হৌজিক চত্থরিবা লোক সভা মীখলগীদমক লৈবাক অসিগী মফম পূন্নমক্তা পার্টিগী কেম্পেন য়েংশিল্লি অদুবু মহাক মশানা কন্টেষ্ট তৌরিবা গুজরাতকী গান্ধীনগর লোক সভা কনষ্টিট্যুয়েন্সিদা মহাক্কী কেম্পেন অদু মহাক মশা য়াওদনা অচৌবা মওংদা চত্থরি।

মহাক্কী থাজরবা টিম অমনা গান্ধীনগরগী য়ূমথোং খুদিং চংদুনা মহাক মশাগা চাওবা মান্নবা অয়েকপা শক্তমশিং পুদুনা কেম্পেন তৌরি।

হৌখিবা চয়োলদা টিম অদুনা মাগী অচৌবা শক্তম অমা পুদুনা রেল্লি অমা ফাওবা পাংথোকখি। অমিত ভাই গুজরাতকী মপান্দা কেম্পেন তৌবদা মথৌ চিল্লি মরম অদুনা ঐখোয়না মফম অসিদা মহাক্কী মহুৎ শিল্লি হায়না ষ্টেটকী মেদিয়া ইন–চার্জ প্রশান্ত ৱালানা হায়খি।

মার্চ ৩০দা মাগী মীরেপচে পীশিনখিবা নুমিৎতগী অমিত শাহনা কনষ্টিট্যুয়েন্সি অসিদা ৭লক খক লাকখ্রে। কেম্পেনগী লাল্লোঙ পুথোক্লিবা টিম অদু গুজরাততা স্কুলশিং চল্লাইরিবা হরসদ পতেল কৌবা অমিত শাহগী থাজরবা তেঙবাংবা অমনা শিল্লি। মহাক বি জে পিদা চহী কয়া লৈরকখ্রে।

মসিগী মমাঙদা মোদিনা গুজরাতকী চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা মাগী কেম্পেন মহাক্না য়েংশিনখি। হৌজিক্না অমিত ভাইগী কেম্পেন য়েংশিল্লি হায়না বি জে পি শৌগৎপা অমনা হায়খি।

গুজরাতকী অনৌবা কেপিটেল সিটিদা ঈজৎ লৈরবা সিট গান্ধীনগরনা ১৯৮৯দগী হৌনা বি জে পিগীদমক ভোট পীদুনা লাক্লি। সিট অসি অহানবদা অতল বিহারি বাজপায়ী অমসুং এল কে অদবানিনা মীহুৎ ওইরম্মি। অদুবু চহী অসিদদি মীরেপ অমা ওইগদবদগী মিষ্টর অদবানি লৌথোকখ্রে অমসুং মশাগী চহী ৯১ শুরবা পার্টি ভেটেরান অসিদা য়ান্না নুংঙাইতবা মওং অমদা অমিত শাহ ওইনা মীরেপ ওইহনখ্রে।



পোলিসি অসিবু য়ানীংদবা মীওইশংনা অমিত শাহনা পার্টিগী পোপুলারিটি অদু য়ান্না লৈরবদি মহাক্না অসিগুম্বা শুকশোই শোয়ররোইদবা সিট অমা ওইনা খল্লিবা করিগীনো হায়বা ৱাহং হংনরক্লি। মহাক্না অতোপ্পা মফম অমদগী কন্টেষ্ট তৌরম্বা য়াই, করিগী গান্ধীনগরদা তৌরিবনো হায়না গান্ধীনগরদগী মিষ্টর শাহগা থেংনগদৌরিবা কোংগ্রেস মীরেপ সি জে চাৱদানা হংলি।

গুজরাতনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু য়ারম্বা য়াই, অদুবু অমিত শাহগী মতাংদদি ভোটরশিং মাগীদমক শোয়দনা লেপকনি হায়বা তম্বা ঙমদে হায়খি।

---

# খূৎ থোক্লবদা নেক্সলাইট ২শিখ্রে

***রাইপুর, এপ্রিল ২১ঃ***

ঙসি অয়ুক পূং ৮ লোম তাবদা ছতিসগড়গা তেলঙ্গনাগা লোন্নবা ঙমখৈ পরিংদা ছতিসগড় পুলিসকী স্পিসিয়েল টাস্ক ফোর্স (এস টি এফ) অমসুং বিজাপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকা পূন্না চত্থবা এন্টি–নেক্সলাইট ওপরেসনদা কম্যুনিষ্ট লালহৌবশিংগা খূৎ থোক্লবদা নেক্সলাইট ২ শিরে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদু ষ্টেট অনীগী লোন্নবা ঙমখৈদা ছতিসগড়গী পামেদ এরিয়াগী উমং অমদা থোকখিবনি হায়না দিপুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (এন্টি –নেক্সলাইট ওপরেসন্স) সুন্দরাজ পিনা হায়খি।

নোংমৈ কাপ্লবা লোয়খ্রবা তুংদা মফমদুদগী নেক্সলাইট ২গী হকচাং ফংখি। খূৎলাই খরসু ফংখি। হৌজিক মখা তানা থিবা–হুম্বা চত্থরি মরম অদুনা মখা তাবা পাউ ঙাইহরি হায়না পুলিস ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি।

---

# য়েমেনদা নৌনা খূৎ থোক্লবদা ৮৫ হেন্না শিখ্রে

***সানা, এপ্রিল ২১ঃ***

য়েমেনগী খা থংবা ধালে প্রোভিন্সতা গভর্ণমেন্ট শৌগৎপা ফোর্সশিংগা সিয়া লালহৌবশিংগা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লবদা মীওই ৮৫ হেন্না শিখ্রে হায়না য়েমেন ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌথি রিবেলশিংনা চয়োল অমা হেন্না খূৎ থোক্লরম্লবগী তুংদা ইন্টরনেসনেলনা শকখঙবা গভর্ণমেন্টকা খূৎশন্নরিবা ফোর্সশিংদগী দামদ দিষ্ট্রিক্ট অমসুং অকোয়বগী এরিয়া অমুক হন্না খুদম চনখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিং অদুনা হায়রি। য়েমেনগী সিভিল ৱার অসি ইরাননা শৌগৎপা হৌথিশিং অমসুং সাউদিনা লূচিংবা কোলিসননা শৌগৎপা গভর্ণমেন্টকগী মরক্তা মার্চ ২০১৫দগী হৌরকখিবনি।

---

## GAS TODAY

**Canchi Indane**
Booking :13/03/19
Valid : 07/03/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 10.30 a.m.

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 23/03/19
Valid : 15/03/19
Sl. No. : 248123
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Imphal L P G Service**
Booking : Up to Date
No Booking Required
Stk : 612, 19kg Available
Time : From 08.00 a.m.

**R & H Indane**
Booking : 28/03/19
Valid : 13/03/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**G B D Indane, Lamlong**
Booking : 01/03/19
Valid : 07/02/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 28/03/19
Valid : 25/03/19
Sl. No. : 25131 to 25470
Time : 07.00 to 09.30 a.m.

**Hrangchal Gas**
Booking : 18/03/19
Valid : 14/03/19
Stk : 612

**K & K Indane**
Booking : 17/04/19
Valid : 08/04/19
Sl. No. : 200
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 22/02/19
Valid : 20/02/19
Sl. No. : 1544 to 1970
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**M M Gas**
Booking : 14/03/19
Valid : 08/03/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Bashikhong Indane**
Booking : 02/03/19
Valid : 25/02/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Hiyangthang Indane**
Booking : 05/03/19
Valid : 25/02/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Misao Gas**
Booking : 30/03/19
Valid : 07/03/19
Stk : 306, 19kg Available
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Manipur Gas**
Booking : 21/02/19
Valid : 20/02/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Yairipok Gas**
Booking : 28/03/19
Valid : 21/03/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Lamsang Gas**
Booking : 09/03/19
Valid : 25/02/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking : 06/02/19
Valid : 20/01/19
Sl. No. : 50600
Stk : 612
Time : 07.00 to 09.30 a.m.

---

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-101**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 5 | | 7 | 8 | | 9 | | |
| | | 8 | | 3 | 9 | | 5 | |
| 7 | | | | 4 | | 8 | | 1 |
| 8 | 7 | | | | 4 | | 9 | |
| 4 | 9 | | | 7 | | | 1 | |
| | 1 | 3 | 5 | | | | | 8 |
| | | 1 | | 5 | | | 7 | |
| 5 | | | 9 | 2 | | | | |
| | | 7 | | | 8 | 4 | | 5 |

**সনা–সুদোকু – ১০০ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 1 | 3 | 9 | 8 | 4 | 5 | 2 | 7 |
| 7 | 4 | 2 | 5 | 3 | 6 | 1 | 8 | 9 |
| 8 | 5 | 9 | 1 | 7 | 2 | 4 | 3 | 6 |
| 3 | 2 | 5 | 7 | 1 | 9 | 6 | 4 | 8 |
| 1 | 6 | 8 | 4 | 2 | 5 | 9 | 7 | 3 |
| 9 | 7 | 4 | 8 | 6 | 3 | 2 | 5 | 1 |
| 5 | 9 | 6 | 3 | 4 | 8 | 7 | 1 | 2 |
| 2 | 8 | 7 | 6 | 5 | 1 | 3 | 9 | 4 |
| 4 | 3 | 1 | 2 | 9 | 7 | 8 | 6 | 5 |

---

# কোংগ্রেস শৌগৎপশিংনা রাহুল গান্ধীগী য়ূম মপান্দা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

***ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২১ঃ***

মপান্দগী মীওই অমদা কোংগ্রেস টিকেট পীখিগদৌরে অমসুং রাজকুমার চৌহানদা টিকেট পীরোইদৌরে হায়বা তোঙাশিংগী মতাংদগী দিল্লি কোংগ্রেস লূচিংবা চৌহানগী শৌগৎপশিংনা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা পার্টি প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীগী ন্যু দিল্লিদা লৈবা ময়ূমগী মপান্দা প্রোপ্টে অমা চত্থখ্রে।




দিল্লি কোংগ্রেসকী লূচিংবা অদু শৌগৎপা প্লেকার্দশিং পায়রদুনা কোংগ্রেস ৱার্কর কয়ামরুন্না পার্টি অসিগী লূচিংবশিংগী মায়োক্তা খোল্লাওশিং লাওখি।

প্লেকার্দশিং অদুদা রাজ কুমার চৌহাননা ঐখোয়গী মীরেপনি অমসুং মপান্দগী কনাগুম্বা অমত্তা য়াবা ঙম্লোই হায়না ইখি।

পার্টি লূচিংবশিংগী মতূং ইন্না কোংগ্রেস পার্টিনা হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অজয় মাকেনবু ন্যু দিল্লিদগী, ৩লক দিল্লি চীফ মিনিষ্টর ওইরমখ্রবী অমসুং দিল্লি পার্টি য়ুনিট চীফ শৈলা দিকসিটপু চান্দনি চোকতগী, ওলিম্পিয়ান রেসলর সুশিল কুমারবু ৱেষ্ট দিল্লিদগী, অরবিন্দর লবলিবু ইষ্ট দিল্লিদগী, রমেশ কুমারবু সাউথ দিল্লিদগী, জে পি অগরৱালবু নোর্থ –ইষ্ট দিল্লিদগী অমসুং রাজ কুমার চৌহানবুনা নোর্থ–ৱেষ্ট দিল্লিদগী থাগৎনবা থৌরাং পূন্নমক লোইরে হায়রি।

অদুম ওইনমক রাজ কুমার চৌহানবু পার্টিগী টিকেট পীরোইদৌরে হায়বগী পাউ শন্দোক্লকখ্রবগী তুংদা রাজ কুমার চৌহানগী শৌগৎপা মীওইশিং অদুনা মৈ হৌনা শাওনরকখি অমসুং পার্টি চীফ রাহুল গান্ধীগী থোঙ্গানদা প্রোটেষ্ট তৌখি।